**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 19-01-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ৩৭ শুবা নেসনেল রোড সেফতি মন্থকী থৌরম ঙসি তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা পাঙথোকখ্রে।

২) আই.পি.আরগী দাইরেক্তর ঙাঙোম উতম সিংহনা হায়রি- সরকারগী বিল্ডিংশিং শাবদা রাজ্য অসিগী মহৌশাদগী লৈরক্লবা আর্কিটেকচরেল আইদেন্তিতি ঙাক্তুনা শানবা হোৎনশি।

৩) গাড়ি খামফমগী খুদোংচাদবা অসি কোকহন্নবা অনৌবা পার্কিং সিষ্টেম শেমগৎনবা রাজ্য সরকারনা হোৎনরি হায়না ত্রান্সপোর্টকী দিরেক্তর খুমন্থেম দাইনানা ফোংদোকখ্রে।

৪) কেন্দ্রগী হান্নগী মন্ত্রি ডাঃ আর.কে. রঞ্জন্না হায়রি- লমদম অসিগী নুপীশিংনা মাইক্রো ইকোনোমিদা চাউরবা থৌদাং লৌরি ।

অমসুং

৫) বি.জে.পিগী নেসনেল প্রসিদেন্টকীদমক নিতিন নবিননা ঙসি মহাক্কী মীরেপচে পীশিনখ্রে।

------

রোড (এল)ঃ ৩৭ শুবা নেসনেল রোড সেফতি মন্থকী থৌরম ঙসি জিরিবাম জিলাদা পাঙথোকখ্রে। 'সরক সুরক্সা অভিয়ান' 'রোদ সেফতি টু লাইফ' হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী ওফিসতা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা জিরিবামগী দিপ্যুতি কম্মিসনার কৃষ্ণকুমারনা নৌনা হাংদোকপা দিষ্ট্রিক্ট ত্রান্সপোর্ট ওফিস অসিগী কান্নবশিং মীয়ামা লৌনবা আপীল তৌখি। ওফিস অসিনা গাড়িগী রেজিষ্ট্রেসন তৌবা, দ্রাইভিং লাইসেন্স পীবা অমসুং অতৈ ত্রান্সপোর্টকী থবক থৌরমশিং হেন্না লাইথোকহল্লগনি।

দিপ্যুতি কম্মিসনারনা মীয়ামদা রোড সেফতিগী মতাংদা হেন্না খঙহন্নবা তোঙান তোঙানবা থৌরাংশিং পায়খৎনবসু লাউথোকখি। থৌরাং অসিগী মনুংদা বাইক রাইদরশিংদা হেলমেট পীবা, ত্রাফিক্কী নিয়মশিং মীয়ামদা খঙনবা পোষ্টর থেৎপনচিংবা য়াওরি। রোদ সেফতিগী মতাংদা মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবা থা অসিগী ২২ দা বাইক রেল্লি অমসু পাঙথোক্কনি হায়রি। থৌরম অদুদা জিলা অদুগী এস.পি. প্রখার পান্দে, জিরিবামগী এ.দি.সি- টি.ঐচ মনোরঞ্জন্নচিংবা মীওইশিং শরুক য়াখি।

৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি প্লে গ্রাউন্দদা ঙসি অয়ুক শেংদোক খোত্তোকপগী থবক চথখি। মফম অসিদা চত্তুনা দিপ্যুতি কম্মিসনারনা য়েংশিনখি অমসুং গনতন্ত্র দিবস মপুং ফানা পাঙথোকবা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎনবসু পাউতাক পীখি।

অমরোমদা, তমেংলোং জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিন্দুনা ৩৭ শুবা নেসনেল রোড সেফতি মন্থ পাঙথোকখি।

মিট (এল)ঃ টাউন প্লান্নিং বিভাগ অমসুং মণিপুর আর্কিটেক্স ফোরমনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা অর্কিটেকশিংগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা আই.পি.আরগী দাইরেক্তর ঙাঙোম উতম সিংহনা হায়- আর্কিটেক অমগী থৌদাং অসি হায়নিঙাই লৈতনা চাউই। মখোয়না মফম অমসুং মতমগা চুনবা মওংদা য়ুমশিং শানবা দিজাইন পুথোক্তুনা মীয়ামদা কান্নবা ফংহল্লি। শেল ইচং চংদনা তুংগী য়াইফবসু ওইগদবা য়ুমশিং শানবা আর্কিটেকশিংনা দিজাইন কয়া পুথোক্লি। শ্রী উতমনা হায়- সুপ্রিম কোর্টকী দিরেক্তিভ মতুংইন্না য়ুমশিং শাবদা রাইট ওফ পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতি এক্টকী

মখাদা য়ুমশিং শাশি। সরকারগী বিল্ডিংশিং শাবদা রাজ্য অসিগী মহৌশাদগী লৈরক্লবা আর্কিটেকচরেল আইদেন্তিতি ঙাক্তুনা শানবা হোৎনশি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা ৱার্ল্ড আর্কিটেকচর ডেগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা এসে ইবা চাংদমবগী মকোক মথং তারবশিংদা মনা মথুমসু য়েন্থোকখি। মসিগা লোয়ননা রোল ওফ আর্কিটেক্স ইন কোম্বেতিং ক্লাইমেত চেঞ্জ এন্দ রোল ওফ আর্কিটেক্স ইন ইনফোর্সিং দিভলপমেন্ট কন্ত্রোল রেগুলেসন হায়বসিদা টেকিকেল সেসন অমসু পাঙথোকখি।

ত্রেদর্স(এল)ঃ 'প্রোতেক্তিং আৱর মার্কেট ইন এ সস্তেনেবল ইকোনোমি' হায়বা হীরমদা হোলসেলদা পোৎ য়োল্লিবা অমদি লৈরিবশিংগী চহীগী ওইবা মীফম ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা হৌজিক পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি মণিপুর কন্সোর্তিয়ম ওফ পোতেতো এন্দ ওনিয়ন ফ্রাইটস এন্দ ত্রেদর্সনা শিনবনি। থৌরম অসিদা ত্রান্সপোর্ট বিভাগকী দাইরেক্তর খুমন্থেম দাই, কাফ এন্দ পি.দিগী দিরেক্তর কে. বোনো, কঞ্জুমর ক্লবগী প্রসিদেন্ট টি. ফুলচান্দ শর্ম্ম শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ত্রান্সপোর্টকী দিরেক্তর খুমন্থেম দাইনানা হায়-নোংমদা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং মণিপুরদা য়ৌরকপগা পোৎ চৈগী মমল ৱাংখৎলক্লিবা অসিগী মতাংদা করি তৌবা য়াবগে হায়বা খন্নবগী তাঞ্জা অমা ঙসিগী মীফম অসিনা পীরি। কন্সোর্তিয়ম অসিগীদমক ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী মাইকৈদগী পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎকনি। মহাকা হায়- লমদম অসিদা গাড়ি মচা অমদি অচৌবগী মশিং হেনগৎলক্তুনা খামফমগী খুদোংচাদবা অমা মায়োকরি। মসিগী মতাংদা রাজ্য সরকারনা মতিক চাবা পার্কিং সিষ্টেম শেমগৎলক্লি।

মরক অসিদা নিয়ম কায়না গাড়ি খাল্লিবা মীওইশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎলগনি হায়নসু দাইরেক্তরনা মখা তাখি।

চান্দেল (এল)ঃ ওল ত্রাইবেল ফিলম ওর্গনাইজেসন মণিপুরনা শিন্দুনা হিল অৱার লেন্দ হায়না মীংথোনবা শান্তি অমদি চাওখৎ মাইকৈদা চংশিন্নবগী পান্দম মীয়াম পুনবা অমসুং ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম অমা ঙসি চান্দেল জিলাগী পঞ্চায় টাউন হোলদা পাঙথোকখ্রে।

কংখু ফিলম এন্দ ইন্তরন্টেমেন্ট চান্দেলনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এম.এল.এ- থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়- মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমকপু অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবগী পান্দমদা লৌরক্লিবা খোঙথাং অসি শিংথানিঙাইনি। মহাকা হায়- নুংঙাইনদবা কয়া লৈরবসু ফম্মিন্নদুনা অফ-ফত্তা তান্নমিন্নবা চংই। অমনা অমবু ঙাকদুনা তংদু লৈতাবা চাওখৎপা লমদম অমা ওইনবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নশি।

রঞ্জন (এল)ঃ কেন্দ্রগী হান্নগী মন্ত্রি ডাঃ আর.কে. রঞ্জন্না হায়রি- লমদম অসিগী নুপীশিংনা মাইক্রো ইকোনোমিদা চাউরবা থৌদাং লৌরি। মহাকা হায়- মণিপুরী নুপীশিংনা থবক শুবদা মাংজিল থারিবা অসি য়ামা চাউথোকচনিঙাইনি।

ইম্ফাল ইষ্টকী কোংবা নান্দেবম লৈকাইদা নারি শক্তি হায়বা হিরমদা ইং ২০২৩-২৪ এম.পি. লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী মখাদা সিৱিং মেছিন য়েন্থোকপগী থৌরমদা ডাঃ রঞ্জন্না হায়- পোৎলমশিং অসি ইং ২০২৪ দা য়েন্থোক্কদবনি। অদুবু ত্রান্সপোর্টরশিংগী সমস্য লৈবদগী য়েন্থোকপা ঙমদনা লাকপনি। মহাকা হায়- ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাদা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং ত্রেনিং অমসুং মেছিন পীবগা লোয়ননা মখোয়গী ৱার্কসেদ শানবা থৌরাং লৈরে।

ডাঃ রঞ্জন্না হায়- মেক ইন মণিপুরগী ৱাখল্লোন অসি লমদম অসিগী মীয়াম া লৈনবা হোৎনদুনা লমদম অসিদা পুথোক্লিবা পোত্থোকশিং ব্রান্দেদ তৌদুনা মপান লমদা থাদোকপা ঙমবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। মসিদা নুপীশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ।

ক্লাইমেত (এল)ঃ রিমোট সেন্সিং ফোর ক্লাইমেত রেজিলেন্স ব্রিজিং সাইন্স এন্দ সোসাইতি হায়বা হিরমদা নুমিৎ হুমি চখৎগদবা জাতি থাক্কী খন্ন-নৈনবা মীফম অমা ঙসি হিয়াংলম ৱাবগাইদা লৈবা পোল ষ্টার কলেজদা হৌদোকখ্রে। মীফম অদু কলেজ অসিগী ইনভাইরোনমেন্টেল সাইন্স, জিওগ্রাফি অমসুং এন্থ্রোপোলোজি দিপার্টমেন্ট অমসুং কলেজ অসিগী আই.কিউ.এ.সিনা রাজ্য সরকারগী প্লান্নিং দিপার্টমেন্টকী মণিপুর রিমোট সেন্সিং এপ্লিকেসন সেন্তর অমদি ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগা খুৎশমনা শিনবনি। থৌরম অদুদা মণিপুরগী মপানদগী লাকপা অখঙ অহৈ কয়াসু শরুক য়াখি।

জেএফদি (এল)ঃ কেন্দ্র সরকারগী মীকোক থীবগী থবক পায়খৎনবা হোৎনরিবা অসিদা রাজ্য অসিগী ওইনা ইং ১৯৫১ গী মতুংদা লাকপা মীতোপশিং হান্না খন্দোক্নদবনি। লোয়নননা এন.আর.সি নত্রগা মান্নবা কাংলোন অমা চৎনরবা মতুংদা মীকোক থিনবা থৌরাং তৌবীয়ু হায়না কেম্পেন ফোর জষ্ট এন্দ ফিয়ার দিলিমিতেসন (জে.এফ.দি)গী মাইকৈদগী ফোংদোক্লি। জে.এফ.দিনা পরিং নাইনা মীকোক থীবগী মতাংদা চথরকপা খন্ন-নৈনবা মীফমগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ৭ খুল তাওরোইনাই সনা পাখংবা লম্পাক অমসুং সেক্তা অৱাং লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা জে.এফ.দিগী লুচিংবা জিতেন্দ্র নিংঙোম্বনা হায়- এন.আর.সি. নত্রগা মান্নবা কাংলোন অমা চৎনদ্রিবা ফাওবা মণিপুরদা মীকোক থীবগী থৌওং অমত্তা চখবা য়ারোই। হৌজিক রাজ্যগী ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিদা মীকোক থীবগী থবক নিয়ম চুমা পায়খৎপা হায়বসি অৱাবা ওইগনি।

এসটি (এল)ঃ মীতৈ-মৈতৈবু ভারত সংবিধানগী সেদ্যুল ত্রাইবকী লিষ্টতা য়াওহন্নবগী দাবী তৌরদুনা নো এস.টি নো ভোটকী কেম্পেন অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শজিৱাদা লৈবা আইদিয়েল টিচরস ত্রেনিং একাদমি (আই.টি.টি.এ)দা পাঙথোকখ্রে। এম.এম.টি.য়ুনা শিনবা কেম্পেন অদুদা

আই.টি.টি.এ সোসাইতিগী মীওইশিংসু শরুক য়াখি। কেম্পেন অসিগা মরী লৈননা অখঙ অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

ওবিৎ (এল)ঃ  মণিপুর এক্স-এম.এল.এ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না এক্স-এম.এল.এ হেমাম লোখোন সিংহনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোরক্লি। ইখঙ খঙহৌদনা হেমাম লোখোন্না লৈখিদবদা এসোসিয়েসন অসিনা মহাক্কী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপগা লোয়ননা থম্মোয় শোকা নুংঙাইতবা ফোংদোক্লি। হেমাম লোখোন অসি কোন্থৌজম বিধান সভা কেন্দ্রদগী মরিরক মীখলদা মায় পাক্তুনা কেবিনেট মন্ত্রিনচিংবা ওইরমখিবা মীওইনি।

হোমগার্দ (এল)ঃ  মণিপুর হোম গার্দ পার্সোনেলশিংগী প্রমোসনগী ওর্দর অমত্তা পীদনবা মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়েজি ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে। রাজ্যপালদা ঙসি পীশিনখিবা অইবা চেরোল অদুদা হায়- রাজ্যগী হোমগার্দ পার্সোনেলশিংগী প্রমোসনগী চৎন কাংলোন অমদি সেনিয়ারিতি লিষ্ট শেম্বগী থবক লোইশিন্দনা লৈবা মরমনা পার্সোনেলশিংগী প্রমোসন পীবগী থবক পায়খৎতনবা দাইরেক্তের জেনেরেল ওফ পুলিস কম কম্মান্দেন্ট জেনেরেল হোমগার্দকী কম্মান্দেন্টতা অকনবা পাউতাক পীবীয়ু হায়না রাজ্যপালদা তকশিনখি।

নৈলিত (এল)ঃ  ইলেক্ত্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেকোলোজি মন্ত্রালয়গী মীৎয়েং মখাদা নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপমদা মথং থাদা পাঙথোক্কদবা এ.আই. ইম্পেক্ট সম্মিৎ ইন্দিয়া ২০২৬ কী মাংওইননা নুমিৎ নিনি চুপা চত্থগদবা মণিপুর প্রি-সম্মিৎ ইভেন্ট ঙসিদগী অকামপাৎতা লৈবা নৈলিটতা হৌখ্রে। থৌরম অদু ট্রান্সফোর্মিং এন.ই. ইন্দিয়া গ্রাস রুট এ.আই. ফোর গ্লোবেল এপ্লোইয়েবিলিতি এন্দ ইম্পেক্ট হায়বা হিরমদা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা ট্রান্সভিজ্য়েল প্রাইভেট লিমিতেদ, নাসকোম, আই.বি.এম, ক্রিতিকেল এন্দ ইম্মরজিং টেকে ালোজি সোসাইতি অমদি জরমন একাদমি ওফ দিজিটেল ইজ্কেসনগী মকোক

থোংবা মীওইশিং শরুক য়াখি। লোয়ননা থৌরম অদুদা নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিলগী মীহুৎ অমদি নৈলিটকী ভি.সি. ডাঃ এন.এন. ত্রিপাথিসু ওনলাইনদা শরুক য়াদুনা এ.আইগা মরী লৈননা ভিজন, ষ্ট্রেতেজি অমদি ইন্দষ্ট্রিয়েল পোটেন্সিয়েল হায়বা হিরমদা ৱা ঙাংখি।

বিজেপি ঃ  বি.জে.পিগী নেসনেল প্রসিদেন্টকীদমক নিতিন নবিননা ঙসি মহাক্কী মারেপচে পীশিনখ্রে। বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট জে.পি. নদ্দা, কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং- অমিত সাহ, রাজনাথ সিংহ, নিতিন গদকারি য়াওনা বি.জে.পিগী পার্লিয়ামেন্টরি বোর্দকী মীওইশিংনা বি.জে.পিগী নেসনেল প্রসিদেন্টকী ফম অসিগীদমক শ্রী নিতিন নবিনবু প্রপোজ তৌখিবনি। মীরেকচে পীশিনবগী মতম ঙসি নুংথিল পুং ২ দগী হৌরগা ৪ ফাওবা চখ্খি। মসিগী তুংদা মীরেপচেগী স্ক্রুতিনি তৌখ্রে। উত্তর প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি যোগি অদিত্যনাথ, হরিয়ানাগী মুখ্য মন্ত্রি নয়ব সিংহ সাইনি, মধ্য প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি মুহোন যাদব য়াওনা লুচিংবা কয়ানা মীরেপচে পীশিনবা অদুদা শরুক য়াখি। বি.জে.পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট অসি দল অসিগী নেসনেল কাউন্সিল অমসুং ষ্টেট কাউন্সিল য়াওনা ইলেক্তোরেল কলেজ অমনা খনগদবনি।

য়ুএই ঃ  য়ুনাইতেদ আরব ইম্মরেটসকী রাষ্ট্রপতি সৈখ মুহামদ বিন জায়েদ অল নায়ন ঙসি নিউ দিল্লিদা থুংলরে। সৈখ মুহামদ বিন জায়েদ অল নায়ননা য়ু.এ.ইগী রাষ্ট্রপতি হেক ওইবদগী সরকারগী ওইনা লৈবাক অসিদা লাকপা হুন্দক্কী অসিনা অহুম্লক শুবনি।

হৌখিবা চহি খরা অসিদা মহাকা ভারত্তা মঙারক লাকখ্রে। রাষ্ট্রপতিনা থুংলবগা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা এয়ারপোর্টতা তরামা ওকখি। ঙসি নিউ দিল্লিদা শ্রী মোদিগা রাষ্ট্রপতি সয়েদ মুহামদ বিন জায়েদকা উন্নগনি। ভারত অমসুং য়ু.এ.ইগী মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবা লুচিংবা অনিনা ৱাফম কয়া খন্নগনি। লোয়ননা লুচিংবা অনিনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহনবতা নত্তনা নৌনা পায়খৎমিন্নবা য়াবা থবক থৌরম কয়াগী মতাংদসু খন্নগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাড--

হোক্কিঃ হম্ফাল ইষ্টকী কোন্থা অহল্লুপ্তা লৈবা ৱাই.সি.সি.আই.সিনা শিন্দুনা ইবুধৌ মার্জিং লম্পাক্তা চত্থরকখিবা ১৩ শুবা য়ুমাম রাসমণি মেমোরিয়েল ইনভিতেসন অন্দর ফিফতিন বোইজ এন্দ ৱিমেন হোক্কি তুরনামেন্ট ঙসি লোইশিনখ্রে। নুপামচাগী কাংলুপ্তা ঐচ.য়ু লাইরিকয়েংবম লৈকাই অমদি নুপীমচাগী কাংলুপ্তা য়ু.ই.এস.পি.এম-ই.এক্স-সাইনা ৱিন্নর ওইরে। ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী ফাইনেল মেটচতা ঐচ.য়ু লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা মৈরা বাসিখোংবু পাঞ্জল ৮-৪ দা থোইদুনা তুরনামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখি। অমরোমদা নুপীমচাগী ফাইনেলদনা হয়েং য়ু.ই.এস.পি.এম-ই.এক্স-সাইনা ৱাই.সি.সি.আই.সি-এ, কোন্থা অহল্লুপ্পু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

পোলো ঃ ৩৯ শুবা মেন্স ষ্টেট লেবেল পোলো তুরনামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা এ.আর পোলো টিম-এনা এম.পি.এস.সি টিম-বিবু পাঞ্জল ৭-৩ দা থোইখে। ঙসি শান্নখিবা অনিসুবা সেমি ফাইনেলদনা এক্স-পোলো ক্লবনা এম.পি.এস.সি টিম-এবু পাঞ্জল ১১-৩ দা থোইখি।

ক্রিকেটঃ মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী অহানবা সেমি ফাইনেলদা হয়েং মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমসুং ওরিয়েন্তেল কলেজ গ্রাউন্দদা পি.সি.সি ময়াইকোইবী অমসুং অক্সদো খাঙবোক শান্নরগনি। খুদৈবন্দ লম্পাক তাওথোং শান্নগদবা অনিসুবা সেমি ফাইনেলদা এম.পি.এস.সি লম্বুলেন্দ অমসুং রুল মৈত্রম শান্নরগনি।

ফুটবোলঃ ১৮ শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ুনাইতেদ প্রোগ্রেসিভ এদল্টস এসোসিয়েসন (য়ু.পি.এ.এ)না মিলন

এফ.এবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে। ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা সোসিয়েল দিভলপমেন্ট ক্লব অমদি ইম্ফাল এফ.এ পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো ওইখি অমদি য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (ৱাই.দি.ও)না তিদিক রোড এথলেতিক য়ুনিয়ন (ত্রাউ)বু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

ফুটবোলঃ ৬ শুবা চন্দ্রনদি ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা প্রি-ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা কৈখু এফ.সিনা নোংপোক শঞ্জেনবমবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে। ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা খুমন লৈবাক ময়াংইম্ফাল এফ.সিনা রোজিকান্ট এফ.সি. উচিৱা হৈয়েলবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখি।

ফুটবোলঃ লংদুম হাইস্কুল গ্রাউন্দদা চথুরিবা হিদাম ধননজয় মীতৈ মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট ষ্টেট লেবেল ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বাতর ফাইনেল মেটচশিংদা দি.ৱাই.সি খন্নরোকা ব্রদরহুদ কৈরাউবু পাঞ্জল ২-০ দা অদুগা উয়োল এফ.সি লংদুমনা য়ং ষ্টারবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

ফুটবোলঃ মেজর বোব খথিং এম.সি, এম.বি.ই মেমোরিয়েল ফুটবোল তুরনামেন্ট হয়েংদগী সেনাপতিগী এষ্ট্রো টর্ফ গ্রাউন্দদা হৌরগনি। থা অসিগী ২৯ ফাওবা চথুগদবা তুরনামেন্ট অসি নোক আউট ফোর্মেটতা চথুগনি। তুরনামেন্ট অসি ভারত লান্মী স্পিয়ার কোর, রেড সিল্ড দিভিজনগী মীৎয়েং মখাদা লৈখিদ্রবা মেজর বোব খথিংবু ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা পাঙথোক্কদবনি।

ফুটবোলঃ ফালি ভিলেজদা চথুরিবা ১১ শুবা জিংতুং লোংফাং স্পোর্টস লিটরেরি অমসুং কলচরেল ফেষ্টিভেলগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বাটর ফাইনেলদা সোমদালনা লমলাংবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদা মাইচোননা টি.চামহোংবু পাঞ্জল ৩-০ দা, ফালিনা সৈখোরবু পাঞ্জল ২-১ দা অমসুং তৈনেমনা সিরা রাখোংবু পাঞ্জল ৫-৪ দা থোইখি।

------